# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 21-12-2024)**

**সিএম (এল)ঃ** নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল (এন.ই.সি) গী ৭২ শুবা প্রিমিরিনারি সেসন ঙসিদগী ত্রিপুরাগী অগরতালাদা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হৌদোক্লগনি। মীফম অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন ঙরাং অগরতালাদা থুংখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা অগরতালা ইয়ারপোর্টতা মীফম অসি য়াওনবগীদমক ঙরাং থুংলবদা ত্রিপুরাগী মুখ্য মন্ত্রি-ডা: মনিক সাহ য়াওনা লুচিংবা কয়ানা হরাউ তয়ামা ওকখি। শ্রী বিরেননা হান্নগী কেন্দ্রগী রাজ্য মন্ত্রি-পরতিমা ভৌমিকসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদা পুন্না থৌদাং লৌমীন্ননবসু ৱারী শান্নবা অদুদা ফোংদোকখি। ত্রিপুরাগী মুখ্য মন্ত্রি-ডা: মনিক সাহ অমসুং লোক সভাগী এম.পি. বিপ্লব কুমার দেবগসু শ্রী বিরেনগা ৱারী শান্নখি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা থি হুন্নবগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ৱাকন চিংশাংদগী সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, মেজিন য়াওবা পোইন্ট থারতি টুগী পিষ্টোল অমা, পোম্পী মরি ফাগৎপা ঙমখি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী মাওকোট ভিলেজতগী পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা ফাগৎপা ঙমখি।

অতোপ্পা থোদোক অমদা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা চুরাচান্দপুর জিলাগী মাওকোট ভিলেজতগী মীওই অনি অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাখি।

মখোয়দগী য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়াসু ফাগৎখি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদি- নাইন এম.এম. করবাইন মেছিনগন অমা, পিষ্টোল অমা, নোংমৈ মরু ১২৩, চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফাগৎপা ঙমখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী নোর্থ এ.ও.সি. মনাক্তা লৈবা জোমি ভিলা গেট ময়াদগী মনিপুর পুলিসনা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফারে। ফারবা মীওই অদুদগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, নম্বর থাদবা গাড়ি মচা অমা ফাগৎপা ঙমখি।

মরক অসিদা, নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অমসুং নেসনেল হায়ৱে টু-ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা নোংমদা তঙাইফদনা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি পুন্না ৪১৮ ইম্ফালোমদা পুশিল্লকখ্রে।

**অশ্বিনি (এল)ঃ** ২১ শুবা ইলেক্ত্রিক ভেহিকল এক্সপো ঙরাং ন্যু দিল্লিদা লৈবা ভারত মন্দপমদা হৌখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াবা চৎপদা লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতিগী চেয়ারমেন-অশ্বিনিকুমার মোইরাংথেমনা কেন্দ্রগী রোর্ড ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজকী রাজ্য মন্ত্রি-হরস মলহোত্রাদা লম্বী থোং শেম্বগী মতাংদা ৱাফম কয়া তকশিনখি। চাউখৎ থৌরাং অমসুং তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা মাংজিল থানবা হোৎনরিবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লুচিং মখাদা লৈবাক অসিবু ক্লিন ইনর্জি অমসুং গ্রীন মোবিলিতিগী লমদা মাংজিল থানা চংশিনবা ঙম্লক্লি হায়নসু শিংথাখি।

মহাকা হায়-ইলেক্ত্রিক ভেহিকল রিভোলুসনগী মতেংনা ঐখোয়গী অকোইবগী ফিভমদা ওইরক্লিবা খুদোংথিবশিং খঙদোকপা, ইনর্জি সেক্যুরিতি হেনগৎহনবা অমদি লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

শ্রী অশ্বিনিকুমারনা মখা তানা হায়-বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা

থাঙ্গাদা অথুবা মতমদা লন্বীগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎপীনবসু মন্ত্রিদা তকশিনখি। প্রোজেক্টশিং অসিগা মরী লৈননা রাজ্যগী পি.ডব্লিয়ু.ডিগী ওফিসিএলশিং অমসুং ইঞ্জিনিয়ারিংশিংনা য়েংশিনদুনা খন্নখ্রে অমসুং নেসনেল হায়ৱে টু প্রোজেক্টকী মনুং চন্না থবক অসি পায়খৎপীনবা তকশিনখিবসু লৈরে। প্রোজেক্ট অসিনা থাঙ্গা অমসুং বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ককচিং, থৌবালগগী মরক্তা লৈনবা লন্বী থোংগী ফিভম হেন্না ফগৎহল্লগনি। মসিদা নত্তনা থাঙ্গা অমসুং নেসনেল হায়ৱে টু, নেসনেল হায়ৱে ১৩৭ (এ) অমসুং নেসনেল হায়ৱে ১০২ গা হেন্না নকশিনহল্লগনি। প্রোজেক্টশিং অসিনা লোক্তাক পাৎকী মথক্তা কিলোমিটর অমা শাংবা থোং অমা শাদুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী থাঙ্গা মংঘা চিং অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী চিংথিসু শমহন্নবা হোৎনরি।

**কুমওন(এল)ঃ** মেদিয়া রিছোর্স সেন্টর, মনিপুরগী মঙাশুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা পাঙথোক্লগনি।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী মখাদা কুমজা ২০১৯ দা শেমখিবা মেদিয়া রিছোর্স সেন্টর অসিনা মহৌশাগী খল কায়থরক্লিবা অসিগী মতাংদা পাউমীশিংদা মেদিয়া ফেলোসিপ পীদুনা মীয়ামবু হেন্না ৱাখল তাহন্নবা অমসুং অকোইবগী ফিভম ঙাক শেনদুনা থমবগী মতাংদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মেদিয়া রিছোর্স সেন্টর অসিনা হৌজিক ফাওবদা রাজ্য অসিগী প্রিন্ট অমদি ইলেক্ত্রোনিক মেদিয়াগী পাউমী ৪০ হেনবদা মেদিয়া ফেলোসিপশিং পীখ্রে।

ঙসি পাঙথোক্কদৌরিবা কুমওন থৌরম অসিদা ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎনা মেদিয়া ফেলোসিপ ফংখ্রবা পাউমীশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা পুকিং থৌগৎকনি।

**ইবোমচা (এল)ঃ** মনিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটস দিবলপমেন্ট

কোরপোরেসনগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা লমলাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ. খোংবানতাবম ইবোমচাগী লমজিং মখাদা ঙরাং শজিৱা জেল মনাক্তা লৈবা টেম্পরেরি সেলটর হোমগী অকোইবদা লৈরিবা ইরম-নালাশিং জে.সি.বি. শিজিন্নদুনা শেংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শ্রী ইবোমচানা হায়-সেলটর হোমদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিং মশা-মউ ফনা, লুনা-নান্না লৈহন্নবগী পান্দমদা ইরম-নালা শেংবগী থৌরম অদু পাঙথোকপনি।

**ৱারসিপঃ** মজাগোন দোগ সিপব্লিদরস লিমিটেদনা লানগী জহাজ অনি- নিলগীরি অমসুং সুরত, ভারত নেভিদা শিন্নখ্রে।

নিলগীরি অসি প্রোজেক্ট সভেনটিন (এ) ক্লাস সিপকী ফার্ষ্ট ষ্টিল্ড ফ্রিগেটনি অদুগা সুরতনা প্রোজেক্ট ফিফতিন (বি) ক্লাস গাইদেট মীসাইল দিসত্রোয়রগী ফোরথ স্তিল দিসত্রোয়রনি।

জহাজশিং অসি হৌজিক ত্রাইয়েলগীদমক সমুদ্রদা লৈরি। জহাজ অনি অসি ভারত নেভিগী ৱারসিপ দিজাইন ব্যরোনা দিজাইন তৌদুনা মাজাগোন দোগ সিপবিল্ডরস লিমিটেদ অমসুং মুম্বাইদা লৈবা ৱারসিপ ওভরসিয়িং টিমনা পুন্না শাবনি।

**নদ্দাঃ** কেন্দ্রগী কেমিকেলস এন্দ ফরটিলাইজর মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দানা ঙরাং লোক সভাদা হায়খ্রে-কুমজা ২০১৪-১৫ দা লৈবাক অসিদা য়ুরিয়া পুথোকপগী চাং মেত্রিক টোন লাখ ২২৫ ওইরম্বদগী ২০২৩-২৪ দদি মেত্রিক টোন লাখ ৩১৪ দা হেনগৎহনবা ঙমলে।

মন্ত্রিনা হায়-ন্যু য়ুরিয়া পোলিসিগী মখাদা য়ুরিয়া পুথোকফম য়ুনিট ৫ হেনগৎহল্লে। নৌনা হাংদোকখিবা য়ুরিয়া য়ুনিটশিং অদু রমাগুনরম, গোরাগপুর, সিন্দ্রি অমসুং বরাউনিনচিংবা মফমশিংদা পায়খৎপনি হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনিমক্কী মীফম মতম কত্তুনা য়েথোকখিবা, এন.ই.সিগী ৭২ শুবা প্রিলিমিনারি সেসনদা শরুক য়ানবা সি.এম. বিরেন ত্রিপুরাদা থুংখিবগী পাউনা ঙসি ইম্ফালদা ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

মনিপুর ন্যুজতা-এন.ই.সিগী ৭২ শুবা প্রিলিমিনারি সেসনদা শরুক য়ানবা সি.এম. বিরেন ত্রিপুরাদা থুংখ্রে, সি.এমনা এন.ই.সিগী মেম্বরশিংগা ইন্টরেক্সন পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক, ঈচেল এক্সপ্রেসতসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পার্লিয়ামন্টেকী নীংথম মীফম লোয়শিনখ্রে, অমিত সাহনা মনিপুর ইশুগী মতাংদা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীদনা নাথৈদুনা লৈরে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগা মরী লৈননা চরাংনবা মরক্তা পার্লিয়ামেন্ট মীফম মতম কত্তুনা য়েথোক্লে, ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন বিল জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কমিতিনা য়েংশিল্লগনি হায়না ঈচেল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-ম্যান্মার সিভিল ৱারগী ফাইটরশিং য়াওশিল্লকপনা মনিপুরগী ইরাং অসি হেন্না কনশিল্লকপনি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক-মোরিং বেল অমসুং সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

আমেরিকান ইভাঞ্জেলিষ্ট দেনিয়েলনা কুকি লালহৌবশিংদা বুল্লেট প্রুব জেকেট অমসুং দ্রোন সপ্লাই তৌবগী ৱাথোক্কা মরী লৈনবা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-বি.জে.পিনা ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সনগী বিল পুথোরক্লিবা অসি মনিপুরগী ৱাথোক নাথৈনবনি হায়না কংগ্রেসনা

ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-জিরিবামগী মীহাৎ ষ্টেটকী লো এন্দ ওর্দরগী ৱাফমনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা পীরকখিবা পাউখুম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথুদুনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখিবগী পাউ মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-প্রোপরটি টেক্সকী য়ুম লিশিং ৬৬ রেজিস্তার তৌবদা য়ুমথোং ১০ ফানা টেক্স থিদ্রি, মথং চহিগী এপ্রিল অমদগী ওন লাইনগী খুথাংদা টেক্স থিহন্নবা হোৎনরি হায়বা পাউ পাউচে অসিগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-কমল বাবু মাঙখিবগা মরী লৈননা থিবা হুম্বগী থবক চথনবা মীওই লিশিং অনি হেন্না দিপ্লোই তৌখ্রে হায়না আর্মিনা থমখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সোসিএল মেদিয়া পোষ্ট অমগা মরী লৈননা কংগ্রেস লুচিংবগী মথক্তা বি.জে.পিনা এফ.আই.আর. ফাইল তৌখিবগী পাড গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-চীফ মিনিস্তরগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ইদুনা সোসিএল মেদিয়া একাউন্ট ফেসবুক্তা থাগৎলুবা এদমিন অহুম পুলিসনা ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।